**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-11-2024)**

**ৱাশক (এল) ঃ** মদ্রাজ হায় কোর্টকী সেনিয়র জজ, জষ্টিস দি. কৃষ্ণকুমার, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ৮ শুবা চীফ জষ্টিস ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

ৱাশক লৌবগী থৌরম ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা পাঙথোকখি। মহাকপু রাজ্যপাল-লক্সন প্রসাদ অচ্যারিয়ানা অরোনবা ঙাকপা অমদি থবক পায়বগী ৱাশক লৌখি।

জষ্টিস দি. কৃষ্ণকুমার, ইং কুমজা ১৯৬৩ দা তামিল নাদুগী ধরাপুরমদা পোকখি। মহাক মদ্রাস লো কলেজতগী বি.এল. দিগ্রী ফংলবা মতুং উকিল ওইনা থবক তৌরকখিবনি। তুংদা, মহাকা সরকারগী তোঙান তোঙানবা আইনগা মরী লৈনবা শিনফমশিংদা থবক তৌরক্লবা মতুংদা ইং কুমজা ২০১৬ দা মদ্রাস হায় কোর্টতা জজ ওইরকখিবনি।

জষ্টিস-দি. কৃষ্ণকুমারনা জজ ওইরিঙৈদা পুলিস রিফোর্ম, ওন লাইন এদুকেসন অমদি ইনভাইরোনমেন্ট কঞ্জারভেসনচিংবা লমশিংদা শিংথানিংঙাই ওইবা রাই কয়া পীখিবা লৈরে।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা, রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বম সনাজাউবা, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এ.শিং, পুলিস অমদি সিভিলগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**সিএম (এল) ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-মপান লৈবাক্তগী আইন কায়না চংশিল্লক্তুনা রাজ্য অসিদা ইরাং শাগৎলিবশিংগী মথক্তা কেন্দ্র সরকারনা থিগৎপগী থবক চথুরি অমসুং ইরাং শাগৎলিবা য়েলহৌমী নত্তবশিং

লৈবাক অসিদা লৈহন্দনবা হোৎনগনি।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-দি. কৃষ্ণকুমারগী ৱাশক লৌবগী থৌরমদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কুকি নেসনেল ওর্গনাইজেসন (কে.এন.ও) গী লুচিংবা-পি.এস. হাওকিপ অমসুং জো রিভোলুস্নারি আর্মি (জেট.আর.এ) গী লুচিংবা-থাংলিয়ানপাউ গুইতেবু ম্যান্মার মচানি খঙনা খঙনা রাজ্য সরকার তান্নরমদনা ইং কুমজা ২০০৫ অদুৱাইদা মতম অদুগী কেন্দ্র সরকারনা সসপেন্দসন ওফ ওপরেসন তৌনবা থৌরাং চত্থরমখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-চহি চা কয়াগী মমাংদগী লৈমিন্নরক্লবা থাদৌ, মার, পাইতে অমদি ৱাইফৈ ফুরুপশিংগা লৈঙাক্কা য়ান্নদবা করিসু লৈতে। মপানদগী লাক্লগা লমদম অসিদা ইরাং শাগৎলিবশিং ঐখোয়না মশক খঙদোক্তুনা মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌগদবনি।

**এদভাইজর (এল)ঃ** ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা ন্যু সেক্রেটরিয়েটকী সাউথ ব্লোক্তা ঙসি রাজ্য অসিগী সেক্যুরিতিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে। মদুদা ইম্ফাল সহর অমসুং অতৈ জিলাশিংগী সেক্যরিতিগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখি।

পাউমীশিংগা উন্নবদা সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদিপ সিংহনা হায়-বি.এস.এফ, সি.আর.পি.এফ, অসাম রাইফলস অমসুং মনিপুর পুলিসকী মীওইশিংনা রাজ্য অসিদা ওইরিবা ফিভম অসি লাকশিন্নবা কন্না হোৎনরি।

মহাকা হায়-তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিং অমসুং এস.পিশিংগা জিলাশিংদা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱারী শান্নরে। হান্না সেক্যুরিতিগী কম্পানি ১৯৮ লৈরিবা অসিগী মথক্তা নৌনা কম্পানি ৯০ অমগসু থুংলরে, অহেনবা কম্পানি ৭০ অমগসু লাক্লগনি। হায়রিবা ফোর্সশিং অসিনা তৌগদবা মথৌশিং অদুসু লেপথোকপা লোয়রে অমসুং রাজ্য অসিগী ইরাং কনবা মফমশিংদা মীয়াম ঙাক শেন্নবগীদমক ফোর্সশিং অসি চাইথোক্তুনা

থল্লগনি।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। মসিগী মতাংদা জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে। থৌবাল জিলাগী ওইনা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** খুৎলায় পায়বশিংনা তমথিনা হাৎতোকপীখ্রবা জিরিবামদগী অঙাং অহুম য়াওনা মীওই ৯ গী হকচাং লৈরোল চনখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং অদু সিলচর মেদিকেল কলেজদগী জিরিবামগী সি.এস.ওশিং অমদি মীয়ামা সেক্যুতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা জিরিবাম তমা পুরকখি। লৈখিদ্রবশিং অদু জিলা অসিগী নিংশিং খুলদা লৈরোন চনখিবনি।

**ইমা (এল)ঃ** ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (ইমা) মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সনা রাজ্য অসিদা অঙাং অমদি নুপীশিংগী মথক্তা হিংশাগী থৌওং চথ্থরকপবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

লমফেলদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট-ডা: আর.কে. লেনিননা হায়-হন্দক্তা জিরিবামদা মরাল লৈজদবা মীওইশিং মীনুংশি লৈতনা হাৎখিবা অসি খাঙবা ঙম্বগী মপাঙ্গল লৈরক্ত্রে। ওইরিবা ফিভম অসি অথুবা মতমদা লোয়শিনদুনা মাঙলোমদা চংশিন্নবা পুন্না হোৎনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। ডা: লেনিনা হায়-

**রতন (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা রাজ্য অসিগী এম.এল.এশিং, রাজনিতিগী খেৎনবা থমদনা অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা থবক

পায়খৎমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না হান্নগী মন্ত্রি-ডা: কে.ঐচ. রতনকুমারনা আপিল তৌরিক্লি।

ঙসি বাবুপারাদা লৈবা মহাক্কী ক্বাটরদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা শ্রী রতনকুমারনা হায়-জিরিবামদগী অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক হাৎখিবগী থৌওং অদু টেরোরিষ্টকী থৌওংনি অমসুং মখোয়গী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চংফম থোকই। রাজ্য বিধান সভাগী অখন্নবা মীফম কৌদুনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা তঙাইফদে হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** মমাং চহিদগী রাজ্য অসিদা ওইরক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদি মীহাৎ মীপুন থোকহল্লিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা মন্ত্রি, এম.এল.এ. অমসুং সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা অমত্তা ওইনা অচেৎপা ফিরেপ লৌমীন্ননবা অথুবা মতমদা মীফম ফমদুনা ৱারেপ লৌবীনবা পিছ এন্দ ইন্টিগ্রীতি কমিতি-কিয়ামগৈ অমসুং দা ওল কিয়ামগৈ নুপী চাউখৎ থৌরাং লুপনা আপিল তৌরক্লি।

শিংজমৈ বজারদা ঙসি মনিপুর ইমা অমদি কংলৈ শিন্থা শেমগৎ লুপ অনিনা পুন্না শিনদুনা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা নুপী অঙাং হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু, অফস্পা অথুবদা লৌথোকউ হায়বনচিংবা ৱারোলশিং ইবা প্লে কার্ড পায়খি।

**চেং (এল)**ঃ চেং বেগ লিশিং ৩০ রোম পুবা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী অখন্নবা রেল গাড়ি অমা ঙসি অয়ুক খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদা পুরকখ্রে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়- রেলগাড়ি অদু ঙসি অয়ুক পুং ১০ মিনিত ১৫ রোম তারকপদা খোঙসাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলখিবনি। পুন্না দাবা ২৯ য়াওবা চেং খক্তগী অখন্নবা রেল গাড়ি অদু জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন লান্থোক্তুনা খোংসাং তমা লাকখিবনি।

ঙরাংসু চান-থকবা পোৎলমশিং মপুং ওইনা আলু অমসুং তিলহৌ পুবা দাবা ৮ য়াওবা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী রেলগাড়ি অমা নোনে জিলাগী খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংখি।

**অতল (এল)ঃ** জমহেমলুং পানমৈ-এম.এল.এনা ঙসি তমেংলোং জিলাগী ত্রিনিতি পাব্লিক স্কুলদা অতল তিঙ্করিং লেফ শঙ্গাখ্রে।

থৌরমদুদা তমেংলোং জিলাগী দি.সি. ডাঃ এল. অংশিম দংশাৱা, এস.দি.ও.-দি. মৈদিনবুই শরুক য়াখি। নিতি আয়োগনা লৈবাক অসিগী স্কুলশিং, এদুকেস্নেল ওর্গনাইজেসনশিং, রিছার্স ইন্সটিট্যুট অমসুং এম.এস.এম.ই. য়াওনা উদ্যোগশিংদা অনৌবা ৱাখল্লোন অমসুং ওন টরপ্রেন্যুরসিপকী ৱাখল্লোন হেনগৎহন্নবা পান্দমদা অতল ইনোভেসন মীসন হৌদোকখিবনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ত্রিনিতি পাব্লিক স্কুলগী প্রিন্সিপাল-গোংচম পামৈনা নিতি আয়োগ অমসুং অতল ইনোভেসন মীসনগী কান্নবশিং, স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা ফংবা ঙম্লগনি হায়না ফোংদোকখি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** একাডমীক রাইটিং হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা তমেংলোং কলেজতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ৱার্কশোপ অসি তমেংলোং কলেজগী ইন্টরনেল ক্বালিটি এসুরেন্স সেল অমসুং রিছার্স এন্দ পাব্লিকসেন সেল অনিনা পুন্না শিনবনি।

ৱার্কশোপ অদু রাইটিং রিছার্স পেপরস, ইথিক্স ইন রিছার্স, প্লেগীরিজম লিটরেচর রিভিয়ু হায়বা হীরমদা তোঙান তোঙানবা টেকিকেল সেসন মঙা থোক া পাঙথোকখি। তুংদা, শরুক য়ারিবা মীওইশিংদা সার্টিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি।

**স্কুল (এল)ঃ** লাক্লিবা দিসেম্বর মরিদা পাঙথোক্কদৌরিবা পারখ রাস্ত্রিয়া

সরভেক্সন-২০২৪ গা মরী লৈননা খনগৎলবা সরকারগী স্কুল, এদেদ, প্রাইভেট স্কুলশিংনা নুমিৎ অসিদা স্কুলশিং থোং হাংবীনবা ইম্ফাল ইষ্ট জোন টুগী জোনেল এদুকেসন ওফিসার-এম. প্রেমচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা হায়-মনিপুরগী ওইনা অপুনবা স্কুল লিশিং ১,১১০ খনগৎপদা ইম্ফাল ইষ্টতগী স্কুল ১০৩ য়াওরি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-মিনিষ্ট্রি ওফ এদুকেসন, সি.বি.এস.ই, এন.সি.ই.আর.টি অমসুং রাজ্য সরকারশিংগা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবা পারখ রাস্ত্রিয়া সরভেক্সন-২০২৪ অসিদা খনগৎলবা স্কুলশিংগী প্রিন্সিপাল, ওজা, মহৈরোইশিংনা শরুক য়াবীনবসু চেরোল অদুনা আপিল তৌরি।

**মুরমু ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-চাউখৎলবা সমাজ অমসুং লৈবাক অমা ওইনবগীদমক মীয়ামনা লৈবাক্কীদমক খল্লগা থবক তৌবা তঙাইফদে।

হায়দ্রবাদতা পাঙথোকপা লোক মনহেতনগী মরিশুবা মীফমদা ৱা ঙাংবদা রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম খুদিংমকা লৈবাক অসিগী নাৎ-চৎনবী, লাইনিং-লাইশোল মুন্না খঙবা তঙাইফদে অমসুং মসিবু য়োকখৎনবা ঐখোয় খুদিংমকা হোৎনগদবনি।

রাস্ত্রপতিনা হায়-চৎনবী, নাৎ অমসুং ধর্ম্মগী খেৎনবা লৈবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা লমদম অসিদা অপুনবগী ৱাখলনা মাঙ থানা থমদুনা নুংশি চান্ননা লৈরিবা লমদম অমনি।

থৌরম অদুদা তেলঙ্গানগী রাজ্যপাল-জিসনু দেব বরমা, কেন্দ্রগী কোইলা মন্ত্রি-কিষন রেদিসু শরুক য়াখি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-হিংশাগা মরী লৈনবা হীরম অমত্তদা সরকার অসিনা য়াবা ঙমলোই অমসুং দিল্লিগী শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অশোয়বা লৈরিবা অসি হকচিন্না লৌই।

গৃহ মন্ত্রিনা ঙসি দিল্লি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা উন্নদুনা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা দিল্লিগী ওইরিবা শান্তি রক্সাগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। শ্রী অমিত সাহনা হায়-দিল্লিদা লৈরিবা মীয়াম পুমমক্কী শাফনবা অমদি অশোয় অঙাম য়াওদনবা হোৎনবা হায়বসি পুলিস খুদিংমক্কী তঙাইফদবা থৌদাংনি। শ্রী সাহনা হায়-নুপী, অঙাং অমসুং অহল ওইরবা মীওইশিংবু শাফনা লৈহনবা হায়বসিনা দিল্লি পুলিসকী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং ওইনা লৌগদবনি।

মীফম অদুদা কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি-গোবিন মোহোন, ইন্টিলিজেন্স ব্যুরোগী দিরেক্তর-তপন দেকা, দিল্লি পুলিসকী কম্মিস্নার অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**মনকি বাটঃ** পধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাট- পুকিংগী ৱাগী ১১৬ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ২৪, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি।

মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোইবগা শন্দোক্কনি।

**স্কোলরসিপঃ** সেন্ত্রেল বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন (সি.বি.এস.ই) না মেরিট স্কোলারসিপ স্কিম ফোর সিঙ্গল গালস চাইল্ডগীদমক মহৈরোইশিংদগী ওন লাইনদা দরখাষ্ট কৌরি।

ইং ২০২৪ গী সি.বি.এস.ইদা ক্লাস টেন পাস তৌখিবা অমসুংসি.বি.এস.ইদা এফিলিয়েট তৌবা স্কুলশিংদা হৌজিক ক্লাস এলভেন তম্লিবা মতোমতা পোকপী নুপীমচা মহৈরোইশিংনা স্কিম অসিগীদমক দরখাষ্ট পীশিল্লকপা য়াগনি। মসিগী মথক্তা ইং ২০২৩ দা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংখ্রবা

মহৈরোইশিংগী রিন্যুয়েলসু ওন লাইনদা তৌবা য়ারগনি।

দরখাস্ত পীশিল্লকপগী অরোইবা মতম মথং থাগী ২৩ ফাওবনি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, নাওরেম ভিক্তরদগী--**

**বেদমিন্টন** ঃ চাইনা মাস্তরস-২০২৪, বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ভারতকী জরা-চিরাখ সেথি অমসুং সদৱিক সাইরাজ রংকি রেদ্দি, মেন্স দবলসকী সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম সেনজেংদা শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা কিম অস্ত্রুপ অমসুং এনদরস কারুপকী জরাবু ২১-১৬, ২১-১৯ দা থোহৈখি।

**ক্রিকেটঃ** ভারত অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অহানবা টেষ্ট মেটচকী অহানবা ইন্নিংসতা ওষ্ট্রেলিয়ানা পুন্না রন-৬৭ লৌদুনা ৱিকেট তরেৎ তুখ্রে।

ভারতনা অহানবা ইনিংসতা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন-১৫০ লৌখিবনি।

**খেল্লো** ঃবিহারনা য়ুম্থু ওইদুনা মথং চহি ২০২৫ গী এপ্রিলদা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস অমসুং পেরা গেমস পাঙথোক্লগনি হায়না কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা লাউথোকখ্রে।

ডাঃ মন্দাভিয়ানা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস অসি লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোকবা পান্দম থল্লি। মন্ত্রিনা হায়- ইং ২০৪৭ তা ফাওবা বিক্সিত ভারত অমা ওইনবা খোঙজংদা শান্ন-খোৎনবনা মরুওইবা থৌদাং লৌগনি। বিহারদা খেল্লো ইন্দিয়া সেন্তর ৩৭ অমদি খেল্লো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্তর ওফ এক্সিলেন্স অমা হাংদুনা অফবা শান্নরোইশিং পুথোকবা হোৎনরি।